# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা নূঙনা থাজিল্লকপা প্রোটেষ্টরশিং থেংননবা নুপী কম্মান্দোশিং অকনবা ত্রেনিং পীখ্রে



***শ্রীনগর, জুন ৩০ ঃ***

ইরাং কনবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা প্রোটেষ্টরশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নূঙনা থাবগী থৌদোক হেনগৎলকপগা লোয়ননা নুপীশিং ফাওবা নূঙনা থাবশিংগী মরক্তা য়াওশিল্লকখ্রে।

ফিভম অসি মায়োক্লনবা হৌজিক সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সনা নুপী কম্মান্দোশিংগী টিম অমবু ত্রেনিং পীবা হৌখ্রে।

শুপ্নগী মিনিট ১ গী মনুংদা নুপী কম্মান্দোশিং অদুবু খূৎলাই রিপিয়ার তৌনবা ত্রেনিং পীবা, নুমিদাংগী মতমদা মখোয়বু মীয়ামগী প্রোটেষ্ট মায়োক্লনবা মখোয়বু মমিৎ পুনশিন্দুনা অমম্বদা থবক তৌবা ঙমহন্নবা অসিনচিংবা অকনবা ত্রেনিং চত্থহনখ্রে।

কাশ্মীর তম্পাক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয়গী মায়োক্তা নূঙনা থাজিল্লকপগী থৌদোক কয়ামরুম হন্না-হন্না মায়োক্লখ্রে।

চহী অসিগী মে ৭ তা নরবাল এরিয়াদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক মনুংদা নূঙনা পানবদগী চিনাদগী লম কোয়বা লাকপা আর থিরুমনি কৌবা মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা মীওই অমা হোস্পিটালদা শিখি।

মদুগী মমাঙ মে ২ দা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী জাব্রুরা খুঙ্গংদা প্রোটেষ্টরশিংনা নূঙনা থাজিল্লকপদগী স্কুলগী মহৈরোইশিং পুবা বস অমা অতেক-অকায় থোকখি। এপ্রিল ৩০ দসু খা থংবা কাশ্মীরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা নূঙ থাবা মীওইশিংনা লম্বীদা চৎলিবা গারীশিংদা এটেক তৌরকপদা লম কোয়বা মীওই ৭ শোকখি।

হৌখিবা চহী ৩ দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা নূঙনা থাবগী থৌদোক ৪,৭৯৯ থোকখি। মদুদা প্রোটেষ্টর ১৭ অমসুং সেক্যুরিটি পার্সোনেল ২ শিখি।

মীয়াম্না অসুম্না নূঙনা থাজিল্লকপগী খুদোংথিবা মায়োক্লরবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগীদমক কম্মিটি অমনা পীরকপা রিকোমেন্দেসনশিং গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা য়াব্রা য়েংশিনখি। কম্মিটি অদু পেল্লেট গনশিংগী মহুৎতা মীশি-মীনা থোকহল্লোইদবা খূৎলাইশিং ওইনা শীজিন্নহন্নবগী ওইথোকপা লৈব্রা পুথোক্লবা ২০১৬ গী জুলাই ২৬ তা সেন্টর গভর্ণমেন্টনা শেমখিবনি।

এক্সপার্ট কম্মিটি অদুগী রিকোমেন্দিসন মতূং ইন্না পি এ ভি এ-চিল্লি (সেলস এন্দ গ্রেনেদস), ষ্টন-এল এ সি (সেলস এন্দ গ্রেনেদস) অমসুং টিয়ার স্মোক সেলশিং শীজিন্নবগুম মখল কয়াগী খোঙথাং লৌখৎনবা লেপ্লখি।

হায়রিবা খোঙথাংশিং অসি সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা লম হেনবা প্রোটেষ্টর মীয়ামবু তানখাইনবগীদমক পেল্লেট গনশিং শীজিন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা শীজিন্নগদবনি হায়না ফেব্রুৱারী থাদা রাজ্য সভাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হন্সরাজ অহিরনা ফোঙদোকখি

# আলিগঞ্জগী শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী কেসতা হান্নগী দিপুটি মেয়র য়াওনা মীওই ৪ মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে

***লক্ষনৌ, জুন ৩০ ঃ***

চহী ২৪ রোমগী মমাঙদা আলিগঞ্জ এরিয়াদা মীওই অমা হাৎখিবা শাশিন্নবা পুলিস এনকাউন্টর অমদা চেন্নবগীদমক লক্ষনৌগী হান্নগী দিপুটি মেয়র অমসুং অতোপ্পা অহুমবু মফমসিগী কোর্ট অমনা ঙসি মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবনবগী চৈরাক পীখ্রে।

মতম অদুদা আলিগর ত্রেদরস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইরম্বা হান্নগী লক্ষনৌগী দিপুটি মেয়র অভৈ সেথ, অশোক মিশ্রা অমসুং কনষ্টেবল অনী - রাম চান্দের সিংহ চান্দেল অমসুং শিবভুসন টিৱারিবু কোর্ট অদুনা কনভিক্টসন পীখিবনি।

কেস অসিদা মতম অদুগী আলিগঞ্জগী ষ্টেসন ওফিসার ওইখিবা দি দি এস রাথোর অমসুং কনষ্টেবল মুন্সিলালগী মথক্তসু চার্জসিট থাঙ্গৎখি অদুবু ৱায়েল চত্থরিঙৈ মনুংদা মখোয় শিখ্রে।

চৈরাক অসি পীরদুনা কোর্ট অদুনা ফোঙদোকখিবদা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৪ অসি চৈন্নে হায়বসি প্রেজিক্যুসন্না মায় পাক্লা প্রমান পীরে হায়খি।

কুমজা ১৯৯৪ গী ফেব্রুৱারী ২৬ তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা গেংষ্টার গোপাল মিশ্রা কৌবা অমবু পুলিসনা কাপ্পুনা হাৎলে হায়না আলিগঞ্জ পুলিসনা ফোঙদোকখিবনি। মতমদুগী উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কল্যান সিংহনা কেস অসিদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌনবা দিসেম্বর ১১, ১৯৯৭ দা সি বি-সি আই দি তা পাউতাক পীখি।

কেস অসিদা থিজিনবগী থবক চত্থরকপদা ক্রাইম ব্রাঞ্চ-সি আই দি না থৌদোক অদু শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমনি হায়বা খঙখি অমসুং আই পি সি অমসুং আর্মস এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা এক্ক্যুজ পূম্নমক অদুগী মথক্তা চার্জ সিট থাঙ্গৎখি।

কুমজা ২০০৮ কী ওক্টোবর ৭ তা এক্ক্যুজশিং অদুগী মথক্তা কোর্টনা মরালশিং শীখি অমসুং ৱায়েল চত্থবা হৌখি। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমা, থৌদোক অদুদা মমিৎমক্লা উহৌবী শাখি অসি য়াওনা প্রোজিক্যুসন্না শাখি ১৩ পুথোকখি।

প্রোজিক্যুসনগী মতূং ইন্না, কোর্টনা ঙসি চৈরাক পীখ্রবা অশোক মিশ্রা কন্সত্রক্সনগী ব্যুজিনেস তৌবা মীওইনি অমসুং আলিগঞ্জতা মহাক্লা কমপ্লেক্স অমা শাখি। মহাক্লা হায়বদগী গোপাল মিশ্রাসু মহাক্কা লৈমিন্নবা হৌখি। মদুগী মতুংদগী গোপাল মিশ্রানা মহাকপুসু কমপ্লেক্স অমা শাবা পান্নকখি। গোপালনা কমপ্লেক্স শাবা পান্নিবা লম অদু অশোক মিশ্রানা মহাক্কী ওইনবা হান্নদগী হৌনা খন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকপা নুমিৎ অদুদা পুলিস টিম অমনা গোপাল মিশ্রাগী য়ুমদা রেইদ চত্থরকখি। অশোক মিশ্রা অমসুং অভয় সেখসু পুলিস টিম অদুগা লোয়নরকখি। পুলিসনা গোপাল মিশ্রাবু কাপ্পুনা হাৎখি অদুগা অশোক মিশ্রানা পীবা শাশিন্নবা কন্ট্রি-মেদ পিষ্টোল অমা গোপাল মনাক্তা থমখি হায়না প্রোজিক্যুসন্না ফোঙদোকখি।

# রেপ তৌরগা ভিডিও রেকোর্দিং লৌখ্রে, লাক্ষ ১০ দিমান্দ তৌরকখ্রে

***ভোপাল, জুন ৩০ ঃ***

অন্ধ্র প্রদেশতা মশাগী চহী ২২ শুরবী ইঞ্জিনিয়ারিং মহৈরোই নুপী অমনা মহাকপু মহাক্কী সেনিয়ারশিংনা লৌতুনরগা রেপ তৌখ্রে, মখোয়না রেপ তৌবগী শক্তমশিং অদুসু ভিডিও রেকোর্দিং লৌখ্রে অমসুং ভিডিও রেকোর্দিং অদুনা মহাকপু ব্লেকমেল তৌবদা শীজিন্নরক্লে হায়না মহৈরোই নুপামচাশিং অদুগী মথক্তা মরাল শীখ্রে।

পুলিসতা থাঙ্গৎলকখিবা মহাক্কী ৱাকৎতা ইঞ্জিনিয়ারিং মহৈরোই নুপী অসিনা হায়খি, মহাক্কী সেনিয়ার অনীনা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদা বার্থদে পার্টি অমদা মহাকপু পুখি। অদুগা মফম অদুদা মখোয়না লৌতুনরগা মহাকপু য়ু পীথক্লগা রেপ তৌখি। রেপ তৌবগী থবক অদু মখোয়না ভিডিও রেকোর্দিং লৌখি অদুগা ভিডিও রেকোর্দিং অদু শীজিন্নদুনা মখোয়না মঙোন্দা ব্লেকমেল তৌখি লোয়ননা মহাকপু মখা তানা রেপ তৌখি হায়না পুলিসনা হায়রি।

হায়রিবা সোফ্টৱ্যার ইঞ্জিনিয়ার অনী অদু চহীসিদা কলেজ অদুদগী পাস তৌখ্রে। পুলিসনা মখোয়বু গেং রেপ তৌবগী, অমসুং থৌওং অদু ফিল্ম লৌবগীদমক অমসুং মঙোন্দা ব্লেকমেল তৌবদা মদু শীজিন্নবগীদমক আই টি (ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি) এক্টকী মখাদা মরাল শীখ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অহুম্মক পুলিসনা লোইনা ফাগৎলে। মখোয়বু জেলদা থাখ্রগনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নুপী মহৈরোই অসিনা কৃষ্ণ দিষ্ট্রিক্টকী আগিরি পলিদা লৈবা মহাক্কী কলেজগী মেনেজমেন্টতা ৱাকৎখি অদুবু কলেজ মেনেজমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অদুনা পুলিসতা ঈ-পাউ পীখিদে। পুলিসতা ঈ-পাউ পীবগী মহুত্তা মেনেজমেন্ট ওফিসিয়েলশিং অদুনা মহৈরোই নুপাশিং অদুদা ভিডিও রেকোর্দিং অদু মুত্থৎনবা অমসুং নুপীমচা অদুদা লাল্লে হায়জনবা হায়খি হায়না নুপী অদুনা পুলিসতা ফোঙদোকখি।

কলেজ অদুগী মেনেজমেন্টনা ফোঙদোকপদা মখোয়না থবক চপ চানা লৌখৎলি হায়খি। নুপীমচা অদুগী আইদেন্টিটি অমসুং মহৈরোইশিংগী তুংগী পুন্সি ঙাক্লবা হীরম অদু মখোয়না পুলিসতা রিপোর্ট তৌখিদবনি হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

অদুম ওইনমক কলেজ অদুনা থৌদোক পূম্নমক অদু ৱারী শান্নদুনা য়াশিন্ননবা হোৎনৌ হায়রবসু চেন্নরিবা নুপামচাশিং - মশাগী চহী ২০ খরতমক হেল্লিবা বামসি অমসুং সিভা রেদ্দিনা ভিডিও অদু মখোয়গী ক্লাসকী মমান্নবশিংদা অমসুং খঙন-চান্নবা অতৈ মীওইশিংদা য়েংহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা নুপী অদুগীদমক অমুক্কা হেন্না নুংঙাইতবা থোকহনখি।

থা অনীগী মমাঙদা ভিডিও রেকোর্দিং অদুগী কোপি অমা মখূৎতা পায়রবা প্রবীন কৌবা মহৈরোই নুপা অমনসু নুপীমচা অদুদা কিহল্লকখি। ভিডিও কোপি অদু পায়রগা মহাক্লা নুপী অদুদগী লুপা লাক্ষ ১০ গা লোয়ননা নৎতবা লমচৎ চৎনবা দিমান্দ তৌখি। অদুদগীদি নুপীমচা অদুনা পুলিসতা চৎলগা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখি।

হৌজিক প্রবীন হায়রিবা অহুমশুবা মহৈরোই নুপামচা অদু পুলিসনা ফাগৎলে। ফারবা প্রবীনগা লোয়ননা কেস অসিদা চেন্নরিবা অতৈ মহৈরোইশিং অদুগা পূন্না এক্ক্যুজ অহুম্মক য়াম্না থুনমক ফাগৎখ্রবনি হায়না পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কানাদানা য়ু এস কী মথক্তা লমন খুম্বা ওইনা বিলিয়ন কয়াগী তারিফ লাওথোকখ্রে

***তোরোন্টো, জুন ৩০ ঃ***

কানাদাগী ষ্টিল অমসুং এলুমিনিয়মদা য়ু এস কী ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না দ্যুটিশিং হেন্না লৌরকখিবা অদুগী লমন খুম্নবগী পাউখুম অমা ওইনা লৈবাক অসিনা য়ু এস কী মথক্তা বিলিয়ন দোল্লর কয়াগী তারিফশিং লাওথোকখ্রে।

কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদেবুগী গভর্ণমেন্টনা অরুম্বা টেক্সশিং লৌগদবা পোৎলমশিংগী লিষ্ট অদু ঙরাং লাওথোকখি। মদু জুলাই ১ দগী চৎনবা হৌগদবনি। পোৎলম খরদি চাদা ১০ দগী ২৫ ফাওবগী টেক্স লৌগদৌরি।

ঐখোয়না হেনগৎলোই অমসুং ঐখোয়না ঙক-নোন্দুনা তৌরোই হায়না কানাদাগী ফোরেন মিনিষ্টর কৃষ্টিয়া ফ্রিলেন্দনা হায়খি।

কেটসঅপ, লোন মোৱরস অমসুং মোতোর বোটশিং য়াওনা আইটেমশিং অদুগী মথক্তা লৌগদবা টেক্সশিং অদু দোলর বিলিয়ন ১২.৬ রোমগী ওইগনি।

মসি চাং চপ মান্নবা খূৎ হনবগী থবক অমনি। মসি দোল্লরগীদমক দোল্লর অমা হায়বগী পাউখুম অমনি হায়না ফ্রি লেন্দনা হায়খি।

য়ু এস কী পোত্থোকশিং অদুগী মনুংদা কয়া অমদি ইকোনোমিক ইমপেক্কী ৱাফম নত্তনা মখোয়গী পোলিটিকেলগী ওইবা মরমদগী খনগৎপনি। খুদম ওইনা কানাদানা চহীগী ওইনা য়ু এস তগী দোল্লর মিলিয়ন অহুমগী য়োগার্ট ইম্পোর্ট তৌই অমসুং মদুগী অয়াম্বদি ৱিসকোনশিনদা লৈবা প্লান্ট অমদগীনি। হায়রিবা মফম অদু হাউস স্পিকর পোল রিয়ানগী হোম ষ্টেটনি। হৌজিক্তি পোত্থোক অদু চাদা ১০ গী দ্যুটিগী পোৎলুম নল্লগনি।

কানাদানা টেক্স লৌনবা শেম্লিবা লিষ্ট অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা পোত্থোক অমদি হুইস্কিনি। মসিসু টেনেসি অমসুং কেন্তক্কীদগী লাকপনি। কেন্তক্কী হায়রিবা মফম অসি রিপব্লিকান সিনেট লীদর মিটচ মেককোনেলগী হোম ষ্টেটনি।

করিগুম্বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ললোন-ঈতিক্কী লান অসি হেন্না কনখৎহল্লকপা তারবদি মদুগীদমক ঐখোয়না থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়নসু ফ্রিলেন্দনা হায়খি।

কানাদিয়ানশিংনা ওতো তারিফশিংগী মতাংদা মরু ওইনা অৱাবা পোকই। মরমদি কানাদা ইকোনোমিদা ইন্দষ্ট্রি অসি মরু ওই। অসিগুম্বা ইন্দষ্ট্রি অসিদা তারিফশিং লৌরিবসি তৌফম থোকপা নত্তে। মরমদি নোর্থ অমেরিকান ওতো ইন্দষ্ট্রি অসিনা শীজিন্নরিবা পার্টশিং অদু কানাদাদা শাবনি। পার্টশিং অদু য়ু এস না শাবা কারশিংদা পানশিল্লগা মদু অমুক কানাদিয়ানশিংদা য়োল্লকপনি। অসিগুম্বা ললোন ঈতিক্কী মতাংদা লৌখৎলকপা কা-হেনবা থবক খুদিংমক ঙমখৈগী নাকল অনীদা লৈরিবা লৈবাকশিং অসিদা খুদোংচাদবা থোকহনগনি হায়না কানাদাগী ফোরেন মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।



# কাপখৎখিবা সেকেন্দ খরগী মতূংদা জপানগী রোকেট কায়খ্রে, মৈ চাকপগা লোয়ননা পোকখাইখ্রে



***তোকিয়ো, জুন ৩০ ঃ***

জপানগী ইন্টর্পেরিও অমসুং কনভিক্টেদ ফ্রাউদষ্টর অমনা শাবা রোকেট অমা ঙসি কাপখৎখিবগী মতূং থুনমক পোকখাইখ্রে।

জপানগী মীয়াম্না শকখঙনরবা ইন্টর্নেট সার্ভিস প্রোভাইদর লাইবদোরগী ক্রিয়েটর, তকাফুমি হোরৈনা লীংখৎপা ইন্টরষ্টেল্লর টেক্নোলোজিজনা ঙসি অয়ূক পূং ৫.৩০ রোম তাবদা মী তোংদবা রোকেট, মোমো-২ খা থংবা হোক্কাইদোগী তাইকিদা লৈবা টেষ্ট সাইট অমদগী কাপখৎখি। অদুবু মিটর ১০ শাংবা রোকেট অদুনা লৈমায়দগী কাপখৎখিবগী সেকেন্দ খরগী মতুংদা লোঞ্চ পেদ অদুদা অমুক হন্না কাইদুনা তারকখি অমসুং মৈ হৌদুনা চাকপগা লোয়ননা পোকখাইবগী শক্তম টেলিভিজন ফুটেজনা উৎলি।

মীৎ থক্লবা পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওইশিং শোকপগী পাউ লৈতে। লৈমায়দগী কিলোমিটর ১০০ রোম হেনবগী অৱাংবদা ওবজার্ভেস্নেল এক্যুপমেন্ট পুদুনা রোকেট অদু থাখিনবগী পান্দমদা মদু কাপখৎখিবনি।

মসিগী রোকেট থাগৎপদা কাইখিবগী মায়থিবা অসি হৌখিবা চহীগী জুলাইদা রোকেট থাগৎপদা মায়থিখিবা অদুগী মতূংদনি। হৌখিবা চহীদা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা রোকেট অদু থাগৎখ্রবা মিনিট ১ রোমগী মতূংদা ঈ-পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

অদুবু হৌজিকসু ইন্টরষ্টেল্লর টেক্নোলোজিজনা ফোঙদোকপদা খ্বাইদগী অনৌবা ওইনা থোক্লিবা মখোয়গী মায়থিবা অসি কৃপ্না থিজিন হুমজিন্দুনা য়েংশিল্লবা মতূংদা মখোয়গী রোকেট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি মখা চত্থখিগনি হায়খি।

তকাফুমি হোরৈ হায়রিবা মীওই অসি হান্না ফেরারি থৌবা মীওই ওইরম্মী। মহাক্লা কুমজা ১৯৯০ গী অথেংবা চহীশিংদা ইনফোর্মেসন বেজ ইকোনোমি অমদা হোংহল্লকপদা জাপানবু মহাক্লা তেংবাংখি অদুবু কোন্না একাউন্তিংদা অরানবা তৌবগীদমক জেলদা চহী অনীরোম লৈখি। কায়নথংদা কুমজা ২০১৩ দা মহাক্লা ইন্টরষ্টেল্লর টেক্নোলোজিজ হায়বসি লীংখৎখিবনি।

অদুম ওইনমক জাপান গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা জাপান এরোস্পেস এক্সপ্লোরেসন এজেন্সিগা চাংদম্নবদা জাপানদগী লনাই ওইনা স্পেস এক্সপ্লোরেসনগী থবক চঙশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি হৌজিক ফাওবদদি মায়থিরি।

# নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম চত্থরি হায়না য়ু এস ইন্টিলিজেন্সনা চিংনরি ঃ *রিপোর্টস*

***ৱাসিংতন, জুন ৩০ ঃ***

হৌখিবা থা খরদা নোর্থ কোরিয়াগী তোঙান তোঙানবা অরোনবা সাইটশিংদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংগীদমক লৈবাক অসিনা ফুয়েল পুথোকপা হেনগৎখ্রে অমসুং য়ু এস কা ন্যুক্লিয়ারগী ৱারী শান্নবদা কন্সেসনশিং ফংনবা হোৎনদুনা চত্থরিবা থবকশিং অসি লোৎশিন্নবা হোৎনরম্বা য়াই হায়না য়ু এস ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংনা চিংনরি হায়না য়ু এস ওফিসিয়েলশিংগী ৱাফম পল্লদুনা এন বি সি ন্যুজগী পাউনা হায়রি।

ঙরাং ইরাই নুমিত্তা ফোঙবা রিপোর্ট অমদা নেটৱার্ক অসিনা হায়খি, ইন্টিলিজেন্সশিংনা চিংনরিবশিং অসি নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন গা জুন ১২ দা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উন্নখিবা অদুগী মতূংদা য়ু এস প্রসিদেন্টনা হৌজিক্তি নোর্থ কোরিয়াদগী ন্যুক্লিয়াগী অকিবা অমা মখা তানা লৈত্রে হায়খিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ওইনা থোক্লি।

এন বি সি না মশক মমিং খঙদবা য়ু এস ওফিসিয়েল মঙানা ফোঙদোকপা ৱাফমশিং পল্লদুনা হায়, হৌখিবা থাশিংদা নোর্থ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকা দিপ্লোমেসিগী লমদা চঙশিল্লবা ফাওবদসু মখোয়না ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংগীদমক এনরিচ য়ুরেনিয়ম পুথোকপগী থবক কনখৎহনখ্রে।

ইন্টিলিজেন্সনা লেপ্পদা নোর্থ কোরিয়াগী লৈ হায়না খঙনরিবা য়োংবিওনদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার ফুয়েল প্রদক্সন ফিসিলিটি অদুগী মথক্তা অরোনবা ন্যুক্লিয়ার সাইট অমদগী হেন্না লৈ হায়রি। ফেসিলিটি, খূৎলাই, মিসাইল মশীংদা ঐখোয়বু মীনম্নবা হোৎনরি। ঐখোয়না কূপ্না য়েংশিল্লি হায়না সেনিয়ার য়ু এস ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Khoriphaba Gas Nambol**
Booking : Upto Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 22/05/18
Valid : 15/05/18
Stk : 612
Sl. No. 219753
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 28/05/18
Valid : 25/05/18
Sl. No. 5471 upto 6280
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 04/06/18
Valid : 27/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas**
Booking : 23/05/18
Valid : 08/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১২১৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 9 | 4 | 5 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 2 | 7 | 8 | 9 | 1 | 6 | 3 | 5 | 4 |
| 4 | 5 | 3 | 2 | 8 | 7 | 1 | 6 | 9 |
| 6 | 8 | 2 | 1 | 7 | 5 | 9 | 4 | 3 |
| 7 | 3 | 4 | 6 | 9 | 8 | 5 | 1 | 2 |
| 5 | 9 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 7 | 6 |
| 9 | 2 | 5 | 8 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 |
| 8 | 1 | 6 | 7 | 3 | 9 | 4 | 2 | 5 |
| 3 | 4 | 7 | 5 | 2 | 1 | 6 | 9 | 8 |

# মুম্বাইগী ভিক্টোরিয়ান অমসুং আর্ট দিকো বিল্ডিংশিং য়ুনেস্কো হেরিটেজ লিষ্টতা চনখ্রে

***মুম্বাই, জুন ৩০ ঃ***

মিয়ামিগী মতূংদা মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা কলেক্সন ওইগনি থাজনরিবা মুম্বাইগী আর্ট দিকো বিল্ডিংশিং ঙসি থাংজ নুমিৎতা য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ লিষ্টতা হাপচিনখ্রে। মসিগা লোয়ননা সিটি অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ভিক্টোরিয়ান গোথিক আর্কিটেকচরসু ৱার্ল্ড হেরিটেজ লিষ্ট অসিদা হাপচিনখ্রে।



আর্টতা থৱায় লুপচবশিংগী নোট-ফোর-প্রোফিট টিম অমনা মুম্বাইদা লৈবা ইতিহাসিক ওইরবা বিল্ডিং খুদিংমক রেকোর্দ থম্নবা থবক চত্থরি। সিটি অসিগী মফম কয়ামুক্তা অসিগুম্বা ২০০ রোম হেন্না লৈরম্বা য়াই হায়না মখোয়না পারি।

হায়রিবা বিল্ডিংশিং অদুগী অয়াম্বদি ১৯৩০ গী অঙনবা চহীশিং অমসুং ১৯৫০ গী অঙনবা চহীশিংগগী মরক্তা শাখিবনি। মখোয়শিং সিটি অসিগী খা থংবা শরুক্তা পুল্লপ পরেং শানা লৈরি। অদুবু মখোয় অসি ভিক্টোরিয়ান গোথিক ষ্ট্রকচরশিংদগী য়াম্না থীনা তোঙান্নবা ৱাশকখি।

মীয়াম্না শকখঙনরবা ওভেল মৈদান লম্পাক্কী ৱাংমদা পাক চাউরবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী আর্কিটেকচরেল ট্রেদিসন অনীনা অমগা অমগা মায়োক্লনা লৈরি। অতোপ্পা নাকল অমদা বোম্বে হায়কোর্ট অমসুং মুম্বাই য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা ১৯ শুবা চহীচাগী বিল্ডিংশিং লৈরি।

আর্ট দিকো বিল্ডিংশিংগী অয়াম্বদি মেরিন দ্রাইভ হায়রিবা মীয়াম্না শকখঙনরবা অদুগী পরীংদা লৈ। অতোপ্পা নাকল অমদনা কর্ব কোর্নরশিং, বেলকোনিশিং, ভটিকেল লাইন অমসুং এক্সোটিক মোটিফশিং য়াওবা বিল্ডিংশিং লেপ্লি। মখোয় অসি মুম্বাইগী মীয়াম মরক্তগী ইনাক-কৈরাক খুনবা কাঙবুনা শাবনি।

মুম্বাইগী দিকো বিল্ডিংশিংনা বৃটিশশিংনা শাবা ভিক্টোরিয়ান গোথিক ষ্ট্রকচরশিংগী মরুমদা মতম পূম্নমক্তা লৈ হায়না আর্ট দিকো মুম্বাইগী ফাউন্দর অটুলকুমারনা হৌখিবা চহীদা ফোঙদোকখি।

আর্ট দিকো বিল্ডিংশিং অসি মুম্বাইগী ইনাক-কৈরাক খুনবা ইন্দিয়ানশিংনা শাখিবনি। মতম অদুদা লোই লৈঙাক্কী মীওৎ-মীনৈ মখাদা ইন্দিয়া লৈখি অমসুং হায়রিবা ষ্ট্রকচরশিং অসিগী খুত্থাংদা মতমদুগী ওৎ-নৈবগী লৈঙাক অদুগী য়াম্না ময়েক শেংলবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীরি হায়না অটুল কুমারনা মখা তাখি।

মুম্বাইগী আর্ট দিকো বিল্ডিংশিংদা রেসিদেন্সিয়েল প্রোপর্টিশিং থল্লি, কম্মরসিয়েল ওফিসশিং, হোস্পিটালশিং অমসুং সিঙ্গল স্ক্রন মোভি ঠিয়েটরশিং ওইরি। মদুগী মনুংদা পোপুলর রিগেল অমসুং ইরোস সিনেমাস য়াওরি।

থাংতুপ পাম্বীনা পরেং শানা হৌবা কিলোমিটর ৩ লোম শাংবা মেরিন দ্রাইভ পরীংদসু য়াওনা আর্ট দিকো বিল্ডিংশিং লৈ। মখোয় অয়াম্বা মথোন মঙা ৱাংবা অমসুং নাপু মচু, হিগোক মচু, পিঙ্ক মচুগুম্বা অয়াকপা মচুশিংগীনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1214**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 2 | | | 8 | 5 | |
| | | 1 | | 6 | | | 2 | |
| | 4 | 8 | | | | | 7 | |
| | | 2 | 4 | | | | | |
| | | | 9 | | | 4 | | |
| 5 | | | 3 | | | | | |
| 7 | | 3 | | 5 | | | | |
| 4 | | 6 | | 2 | 3 | 5 | | 7 |
| | 9 | | | | | 1 | | |